# ১৪শুবা গভর্নর্স কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপ হৌদোকখ্রে

## উপাগী দেনিসন অমসুং ফিওনানা মিনি বোইজ এন্দ গার্লস সেবর ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ঃ
মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ১৪শুবা গভর্নর্স কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৮ ঙসি হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা ক্লব ১৪দগী লাকপা নুপী শান্নরোই ১৪০ অমসুং নুপা শান্নরোই ১৭১ পুন্না শান্নরোই ৩১১ না শরুক য়ারি।

শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিংগী মরক্তগী মিনি বোইজ এন্দ গার্লস কেতেগোরিদা শান্নরোই ৫০, সব-জুনিয়র কেতেগোরিদা ৭১ কেদেদ কেতেগোরিদা ৬১,জুনিয়র কেতেগোরিদা ৬৩ অমসুং সেনিয়র কেতেগোরিগী ওইনা শান্নরোই ৬৬না শরুক য়ারি।

চেম্পিয়নসিপ অসি হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র, কাদা, লো এন্দ এল এ গী মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা হৌদোক্লে লাউথোকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী ইন্টরনেসনেল ফেন্সিং প্লেয়র অমা ওইবতা নত্তনা এসিয়ান চেম্পিয়নসিপশিংদা অহুমলক ব্রোঞ্জ মেডল ফঙলকখ্রবী থিংঙুজম দাইনানা ওথ লৌদুনা টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকখি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মিনি বোইজ কেতেগোরিগী সেবর ইভেন্টতা উপা ক্যামগৈগী এল দেনেলনা গোল্ড মেডল অদুগা ক্লব অসিমক্তগী সিঐচ য়াইফরেম্বনা সিলভর মেডল, এস দব্লিউ সি খোঙমনগী জিনি কান্ত অমসুং আর এস সি থোংজুগী এ ওরিস অনীনা ব্রোঞ্জ মেডলশিং ফঙবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা দেনিসননা য়াইফরেম্ববু পোইন্ট ১৬-৬ তা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল ফঙবা ঙমখিবনি।

চপ মান্নবা ইভেন্টকী নুপীমচাগী কাংলুপ্তা উপাগী এস ফিওনা গোল্ড মেডল ফঙবা ঙমখি।



*চেম্পিয়নসিপ হৌদ্রিঙৈ মমাংদা অথোইবা মীথুংলেননা এসোসিয়েসনগী ফ্লেগ চিংখৎখিবগী মতাং অমা*

এস দব্লিউ সি খোঙমনগী এনেদি না সিলভর মেডল ফঙবা ঙমখি।

মখোয় অনীনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ফিওনানা এনেদিবু পোইন্ট ১২ হেন্দুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

অদুগা ইভেন্ট অসিদা এস দব্লিউ সি গী অম্বিকা অমসুং উপাগী চিংলেম্বী অনীনা ব্রোঞ্জ মেডল ফঙবা ঙমখি।

অতোপ্পা মিনি বোইজ কেতেগোরিগী ইপি ইভেন্টতা মিসিখোল খুরাইগী এ তোম্বনা গোল্ড মেডল, ও এল এ কোংবগী দব্লিউ নিকাসনা সিলভর মেডল অমদি এস দব্লিউ সি গী পি বিসেস অমসুং কেঐচ এস সিগী জিনিটনা ব্রোঞ্জ মেডলশিং ফঙবা ঙমখি।

চপ মান্নবা ইভেন্টকী নুপীমচাগী কাংলুপ্তা এস দব্লিউ সি গী ওসিনিনা গোল্ড মেডল ফঙবা ঙমখি।

উপাগী বিয়াশ্বরিনা সিলভর মেডল অদুগা এস দব্লিউ সি গী তম্ফাসনা অমসুং কেঐচএসসি গী বেনাওনা ব্রোঞ্জ মেডলশিং ফঙবা ঙমখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা কেতেগোরিগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ফোইল ইভেন্টতা এস দব্লিউ সি গী এ রিকি অমসুং উপাগী এস বালা চনুনা গোল্ড মেডল ফঙবা ঙমখি।



*মিনিষ্টর জয়েন্তকুমার চেম্পিয়নসিপ অসিবু হৌদোক্লে হায়না দিক্লিয়র তৌখিবা*

নুপামচাগী কাংলুপ্তা কেঐচএসসি গী পাপুনা সিলভর মেডল অদুগা উপাগী এন রোসন অমসুং এল মনাওতোন অনীনা ব্রোঞ্জ মেডলশিং ফঙখি।

নুপীমচাগী কাংলুপ্তনা উপাগী এ দিবিয়া রানিনা সিলভর মেডল অদুগা এস দব্লিউ সি গী গিতি অমসুং আর এস সি গী এস দেবারানিনা ব্রোঞ্জ মেডলশিং ফঙবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি চেম্পিয়নসিপ অসিদা মকোক-মথং তারখ্রবশিংনা লাক্কদৌরিবা নেসনেল চেম্পিয়নসিপ্তা ষ্টেট রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদৌরিবনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মিথুংলেন ওইখিবা মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিগী শান্নরোইশিংগী মপা-মমানা হেন্না থৌদাং লৌদুনা মচাশিংবু ৱিল পৱার, দিটরমিনেসন লৈনবা পাউতাক পীবা য়াম্নমক মথৌ তাই।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মশান্না অসি শেল য়াম্না চঙবা ওইবনা মহাক্কী মাইকৈদগী মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসনদা শেলগী মতেং পীবতা নত্তনা এসোসিয়েসন অসিনা সরকারগী মতেং লৌনবা হোৎনবদা মহাক্কী মাইকৈদগী অচৌবা প্রেসর পীগনি হায়বগী থাজবা থল্লমখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা টিঐচ জয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা শান্নরিবা ফেন্সরশিং চাদা ৬০ দি ষ্টেট অসিদগী হৌখিবা ঙাক্তনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইং ২০০৪ গী বলগেরিয়াদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা মহাক্না টিম ওফিসিয়েল ওইনা শরুক য়াখিবা অদুদা ষ্টেট অসিদগী শান্নরোই ২৬না ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা চৎখি।

মতুং তারকপা ইং ২০০৭ ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়নসিপ্তা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌখিবা ষ্টেট অসিগী শান্নরোইশিংনা অয়াম্বনি।

মশান্না অসিদা ষ্টেট অসিগী শান্নরোইশিংনা দোমিনেন্ট তৌরকপদগী, ষ্টেট অসিগী অতোপ্পা শান্নরোইশিং খরাসু নেসনেল কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ানবা মপালগী ষ্টেটশিংদা শান্ননবা পাউতাক ফাওবা পীবা লৈখি ।

মহাক্না মখা তানা সরকারগী পুক্লিং চিংশিল্লদুনা ফেন্সিং মশান্না অদুদা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী সুনিল ইলাংবম অমসুং নেরোকা এফসি প্রসিদেন্ট অরুনকুমার এক্সপোজ তৌবদা মতেং ওইনবা গেম অসিদা ফেন্সিং মশান্না অসিবু য়াওহনবীনবা অপীল তৌখি।

হৌদোকপগী থৌরম অসিগী দেদিকেটেদ ওইবা হোল অমা লৈহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।



*ষ্টেটকী ইন্টরনেসনেল ফেন্সর থিংঙুজম দাইননা ওথ টেকিং লৌবগী মতাং*

অদুগা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট গেম অসিদসু শান্নরোইশিংগী মমা-মপাশিংগী খনবিরগা অমদি শান্নরোইশিং অসিবু হেন্না থাংজম অনীনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা কেতেগোরিশিংগী ত্রোফিশিং লৈগনি। মিনি বোইজ অমসুং গার্লস কেতেগোরিগী ওইনা ৱাহেংবম বিরাবদ্রা নিংশিং এৱার্দ, সব-জুনিয়র নুপা অমসুং নুপীমচা কাংলুপক্কী ওইনা সোরাইশম রোনিকা দেবী এৱার্দ, কেদেদ বোইজকী ওইনা ওইনাম য়াইমা নিংশিং এৱার্দ, কেদেট গার্লসকী ওইনা অঙোম নিলামানি সিংহ এৱার্দ, জুনিয়র বোইজকী ওইনা ৱাকম্বম নোদিয়া সিংহ এৱার্দ অদুগা জুনিয়র গার্লসকী ওইনা ৱাকম্বম ওংবী কৈশাম অনৌ দেবী এৱার্দ, সেনিয়র বোইজকীদা অরিবম নন্দকিশ্বর শর্ম্ম এৱার্দ, সেনিয়র গার্লসতা হিজম ওংবী আর কে সনাতোম্বী দেবী এৱার্দ, ওভরওল বোইজ চেম্পিয়নগী ওইনা থাংজম গোপাল সিংহ ত্রোফি অদুগা ওভর ওল গার্লস চেম্পিয়নগী ওইনা থাংজম ওংবী মানি দেবী নিংশিং রন্নিং ত্রোফিশিং নি।



*উপাগী ফেন্সর দেনিসন অমসুং য়াইরেম্বা অনীনা মিনি বোইজ সেবর ইভেন্টকী ফাইনেল মেটচকী মতাং*



*মিনি বোইজ সেবর ইভেন্টতা মকোক-মথং তারকখিবা প্রাইজ য়েঙ্খোকখিবা শক্তম*

## ষ্টেটকী ক্লাইম্বর চিংখৈঙাম্বা য়াওনা ক্লাইম্বর অহুমনা এসিয়ান গেমসতা শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ঃ
ষ্টেট অসিদগী হৌখিবা মাইবম চিংখৈঙাম্বা অমদি অতোপ্পা নুপী অমা য়াওনা ক্লাইম্বর অনীগা পুন্না ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জাকারতাদা ওগষ্ট ১৮ দগী হৌগদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসকী স্পোর্টস ক্লাইম্বিং ইভেন্টতা ইন্দিয়ান রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারগনি।

অতোপ্পা ক্লাইম্বর অনী অদুদি- কার্নাটাকাদগী ভারত পেরৈরা অমসুং নুপী ক্লাইম্বর পুনেদগী শ্রেয়া ননকর নি।



মখোয় অহুম খল্লকপা অসি ইন্দিয়ান মাউন্টেনিয়রিং ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট, চিয়রমেন অমদি নেসনেল স্পোর্টস ক্লাইম্বিংগী মেম্বরশিংগা ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন অমসুং গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা কন্না তক্কদুনা মমাংদা আইওএ অমদি গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লৌরম্বা দিসিজন স্পোর্টস ক্লাইম্বিং টিম লাক্কদৌরিবা এসিয়ান স্কৱদ অসিদা য়াওহনদবা হায়বা দিসিজন অদু নৌনা রিভ্যু তৌরগা অমুক য়াওহন্নবা খঙহল্লকখিবনি।

মরকসিদা মণিপুর স্পোর্টস ক্লাইম্বিং এসোসিয়েসননা আইওএ অমসুং গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা নৌনা লৌরক্লিবা দিসিজন অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ক্লাইম্বর অহুমবু য়াইফ পাওজেল পীরক্লি।

পনবা য়াবদি স্পোর্টস ক্লাইম্বিং অসি এসিয়ান গেমস অমদি ওলেম্পিক্তা ইভেন্ট অমা ওইনা য়াওবসি হন্দকী অসিনা ইহান হানবনি।

## সেকমাই এফসিনা ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ঃ
ব্রাইটর ক্লব অৱাং পোৎশঙবম খুল্লেননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চথরকখিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ১১ মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লোইশিনখিবগা লোয়ননা সেকমাই এফসি না টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ২০ না শরুক মরি থোক্তুনা জুন গী ২৪দগী হৌদুনা শান্নরকখিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা সেকমাই এফসি না এমএসএফসি হৈঙাংবু তাই ব্রেক্তা গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।



শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনীনা অপীবা মতমদা গোল অমত্তা চন্নবদগী কিক ফোর্ম পেনাল্টি মার্কনা দিসাইদ তৌবদা সেকমাই এফসি গী শান্নরোই অহুম এম ইবোমচা, এ কিনেস অমসুং কেঐচ রঞ্জিৎনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিবনি।

অদুগা হৈঙাংগী মাইকৈদা কাওখিবা অহুম সুরজ, দেক্সন অমসুং অনিল গোল ওন্তোকপা ঙমদনা রন্নর্স অপ তাহৌবনি।

ৱিন্নর ওইখিবা সেকমাই টিমগী গোল কিপর মাহারাবম রোমারিওনা মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচ অমসুং বেষ্ট গোল কিপরগী মনাশিং ফঙবা ঙমখি।

রন্নর্স অপ তাহৌরবা হৈঙাং টিমগী খাঙেম্বম সিতলজিৎ মৈতৈনা তোপ স্কোরর এৱার্দ ফঙখি। অদুগা ব্রাইটর ক্লবকী শান্নরোই অনী লাইশ্রম রাকেস সিংহ অমসুং ঙাঙোম গিৎচন্দ্র সিংহ না বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্ট অমসুং বেষ্ট দিফেন্দরগী মনাশিং ফঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা কেএলএসসি কোম্থা খাবমনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনা ফঙখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা সেকমাই এফসিগা ত্রোফি অমসুং শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩০ অদুগা রন্নর্স অপ তাখ্রবা হৈঙাং টিমনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ২০ গী মনাশিং ফঙখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ষ্টেট প্লান্নিং বোর্দকী দিপ্যুটি চিয়রমেন সোরোখাইবম রাজেন সিংহ না অথোইবা মীথুংলেন অমসুং পোৎশঙবম জিল্লা পারিয়াদকী মেম্বর লাইশ্রম বোবি দেবী না থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

## ইম্ফাল ৱেষ্ট ইন্টর স্কুল ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ঃ
দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিন মরি- এথলেটিক, অর্চরি, কবাদি অমসুং সোফ বোলগী নুপা অমসুং নুপীগী চহি ১৪ অমসুং ১৭ কী ওইবা ইন্টর স্কুল ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা ওগষ্টকী ৬ অমসুং ৭তা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিবু য়াওবিনিংবা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা স্কুলশিং অমদি ইন্সষ্টিট্যুসনশিংনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা দিৱাইএএসও ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওফিসতগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি।

ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতমনা ওগষ্টকী ৩ ফাওবনি।

## ষ্টেটকী শান্নরোই ৯ ইন্দিয়াগী সেনিয়র ৱুমেন ফুটবোল টিমদা য়াওরে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ঃ
স্পেনগী ভেলেন্সিয়াদা থা অসিগী ২৬তগী ওগষ্টকী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা কোটিফ কপ ২০১৮ দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী সেনিয়র ৱুমেন্স ফুটবোল টিমগী মমিং লাউথোকপদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ষ্টেট অসিদগী নুপী ফুটবোল্লর ৯গী মমিং য়াওখ্রে।

খল্লক্লবা শান্নরোইশিং অদুগী মরক্তা হন্দক্তা এআইএফএফ কী বেটচ ইমরজিং প্লেয়র ওফ দি ইয়র ২০১৭ গী মনা ফঙখিবী ইপান্থোই চনু অমসুং মমাং ২০১৬ গী ৱুমেন ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়র তাখিবী এন জি বালাসু য়াওখি।

অতোপ্পা শান্নরোইশিং অদুদি- ও রোসনি দেবী, টি ঐচ উমাপাটি দেবী, এন জি স্বুইটি দেবী, আই প্রমেশ্বরি দেবী, এম মন্দকিনি দেবী, এন রতনবালা দেবী অমদি দাংমৈ গ্রেসনি।

## অম্ফানা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চহি অসিগী ফেব্রুৱারিগী ১৭তগী ২১ ফাওবা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী 'দি লাইসেন্স কোর্স' তা মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী সার্টিফিকেটশিং লৌরনবা খঙহল্লক্লি।

মখা তানা খনগৎলবা কেনিদদেটশিংনা এআইএফএফকী ৱেব সাইদ http//coaching.the-aiff.com রেজিষ্টর তৌনবা খঙহল্লক্লি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*